নেসনল কেপিটেলদা লৌমীশিং ট্রেক্টর রেল্লি চৎহনবা নৎত্রগা চৎহন্দবা পুলিসনা ফিরেপ লৌগদবনিঃ সেন্টর

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): নেসনল কেপিটেলদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা ট্রেক্টর রেল্লি চৎকনি হায়না থৌরাংলিবা অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা খূৎ থিংজিনফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং দেল্লিদা রিপব্লিক ডে নুমিত্তা লৌমীশিংগী ট্রেক্টর রেল্লি চৎহনবা নৎত্রগা চৎহন্দবা হায়বসি পুলিসনা লেপকন্দবনি হায়না সেন্টরনা ফোঙদোরক্লি।

লাক্কদৌরিবা জন্যুৱারী ২৬, রিপব্লিক ডে নুমিত্তা লৌমী লিশিং কয়ানা নেসনল কেপিটেলদা ট্রেক্টর রেল্লি চৎনবা শেম-শাদুনা লৈখ্রবনি। নৌনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুমগী মতাংদা সেন্টর অমদি লৌমীশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবদগী লৌমীশিংনা রিপব্লিক ডে নুমিত্তা দেল্লি মনুংদা ট্রেক্টর রেল্লি চৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

লৌমীশিংনা ট্রেক্টর রেল্লি চৎকনি হায়না থৌরাংলিবা অদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ থীহনগনি। মরম অদুনা লৌমীশিংগী ফিরেপ অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা খূৎ থিংজিন্নবা সেন্টরনা হায়জখ্রবা মতুং কোর্টকী মায়কৈদগী লৌমীশিংগী রেল্লিদা কোর্ট অসিনা খূৎ থিংজিন্নিংঙাই মরম লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুং সেন্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা দেল্লি পুলিসনা ফিরেপ লৌনবা খঙহনখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া এস এ বোবদেনা লুচিংবা মীওই অহুমগী বেঞ্চ অমনা লৌমীশিংনা রেল্লি চৎপগী ৱাফম অসি লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবনা মরম ওইরগা দেল্লি পুলিসনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলকপদা কোর্টকী মায়কৈদগী অয়েৎপা পীরোই। অদুম ওইনমক, কোর্টনা লৌমীশিংদা রেল্লি চৎপা য়ারোই হায়না ওর্দর পীবদি তৌরোই হায়খি।

লৌমী লুচিংবশিংগী ট্রেক্টর রেল্লি অদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক ডে থৌরমদা অয়েৎপা পীরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। লৌমীশিংনা রেল্লি চৎকদৌরিবা অসি দেলিগী আওটর রিং রোদতনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু নুমিৎ অদুদা লৌমীশিংনা মখা তানা করি খোঙজং চঙশিল্লক্কদগে হায়বদু তমবা ঙমদবনা দেল্লি পুলিসকী মায়কৈদসু কোক শানিংঙাই ওইরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেক্টর ৫,০০০ রোম দেল্লি ময়োলদা চঙশিল্লক্তুনা রেল্লি চৎনবা শেম শারি। লৌমীশিংনা ট্রেক্টর ৫,০০০গা লোয়ননা দেল্লি ময়োলদা চঙশিল্লক্লবদি খূদক্কী ওইনা থিংবদা অৱাবা ওইগনি। মরম অদুনা দেল্লি পুলিসনা মতম লৈরিঙৈদা দেল্লি মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা অকায়বা লাকহন্দনবা থবক থৌরমশিং মাঙজৌননা পায়খৎকদবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, ফার্মর য়ুনিয়নশিংগী লুচিংবশিংগা দেল্লি, হরয়ানা অমসুং য়ু পি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা ঙসি উনদুনা জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেক্টর রেল্লি অদুগী রূটকী মতাংদা ৱারী শানগনি হায়রি।

লৌমী লুচিংবা অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা, নৌনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম অদু রিপীল তৌনবা অমদি মিনিমম সপোর্ট প্রাইস লৌমীশিংদা ফংহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা হৌখিবা নুমিৎ ৫৬নি দেল্লি ঙমখৈগী শরুক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। লৌমী য়ুনিয়নশিংগী মীহুৎশিংগা সেন্টরগী মীহুৎশিংগা তাঙ্কক কয়া থোক্লা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবদগী লৌমীশিংনা রিপব্লিক ডে নুমিত্তা ট্রেক্টর রেল্লি চৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি। লৌমীশিংগী ফিরেপ্তা অহোংবা অমত্তা লৈরোই হায়খি।

জামুরি কিষাণ য়ুনিয়নগী লুচিংবা কলৱন্ত সিংহ সনধুনা ফোঙদোরকখিবদা, খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মীহুৎ খরগা দেল্লি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসরশিংগা উনদুনা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা চৎকদৌরিবা ট্রেক্টর রেল্লি অদুগী মতাংদা খন্নরগনি।

ৱারী শানবা অদুদা দেলি পুলিসকী মায়কৈদগী জোইন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস এস এস য়াদবনা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা হরয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশকী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংসু শরুক য়াগনি হায়রি।

কমালা হেরিসকী হৌরকফমদা মীয়াম্না হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোক্লুখ্রে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ান ওরিজিন কমালা হেরিসনা ভাইস প্রসিদেন্ট ইলেক্সন্দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাং ৱাশক লৌগদৌরিবা অদুগী মাঙওইননা কমালা হরিসকী হৌরকফম ওইরিবা থুলাসেন্থিরাপুরমগী মীয়াম্না খুঙ্গং অদুদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লুখ্রে।

তামিল নাডুগী নগাপতিনম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কমালা হেরিসপু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়বগী পাউ তাবদা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা খুঙ্গং অদুগী মীয়াম্না মহৌশাদগী থৌদোক-ৱাথোক থোকপা মতমদা চানবা চীঞ্জাক মুরুক্কু পাক্কন্না শেম-শাবা উরি। কমালা হেরিসনা তুংদা নুংঙাই য়াইফনা লৈনবগীদমক খুঙ্গংগী লাইশঙশিংদা মীওই কয়ানা ঈরাৎ থৌনিজবগা লোয়ননা খুঙ্গং অদুগী লম্বীশিংসু শীৎ শেংবগী থবক চখখি।

হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপদা শরুক য়ারদুনা মুরুকু শেল্লিবী অহল ওইরবী নুপী সিবারঞ্জনিনা ফোঙদোকখিবদা, খুঙ্গং অসিদগী হৌখিবা কমালা হেরিসনা শক্তি লৈরবা লৈবাক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরগনি তাবদা অঙকপা অমদি নুংঙাইবা ফাওই। খুঙ্গং অসিদগী হৌরক্লিবা নুপী কয়া মহাক্কী মতৌ তমদুনা মায় পাকপা লম্বীদা চৎনবা হোৎনবদা ঙসিগী নুমিৎ অসিনা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

রাধাকৃষ্ণন কৌবা অহল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, পীকখ্রবা খুঙ্গং অসিদগী হৌখিবা কমালা হেরিসনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মীখলদা মায় পাক্লকপা হায়বসি ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। মহাক ঙসি নুমিদাং ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পুনবগীদমক ৱাশক লৌরগনি তাবদা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম্না নুমিৎ অসিবু ফেষ্টিভেল অমা ওইনা লৌনরি হায়খি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী নভেম্বর থাদা কমালা হরিস য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ইলেক্ট তৌখিবনি। য়ু এসতা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ইলেক্ট তৌখিবা নুপী কমালা হেরিসনা অহানবা ওইরি।

পি এম মোদি ফন্দামেন্টেলগী মতাংদা খঙবা ৱাৎলিঃ রাহুল

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): য়ু এস কেপিটোলদা থোকখিবা য়ৈখায় থিনগায়বগী থৌদোকশিংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈং-তপ্পা লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবসু হৌজিক হৌজিক ফার্ম লোগী মতাংদা থোক্লিবা থৌদোক্কী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোদি ফন্দামেন্টেলগী মতাংদা খঙবা ৱাৎপা মাল্লি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা ফার্ম লোগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি মশাগী চপ চাবা ফিরেপ লৈতবা মীওই অমনি। য়ু এসতা দোনাল্ড ট্রম্পনা শক্তি পায়রিঙৈ মতমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা দোনাল্ড ট্রম্প অফবা মীওইনি হায়না থাগৎখি। মদুগী মতুং হৌখিবা চহীগী লোইশিল্লকপদা প্রসিদেন্ট ইলেক্সন্দা জো বাইদেননা দোনাল্ড ট্রম্প মায়থিবা পীখ্রবা মতুং দোনাল্ড ট্রম্পনা মফম থাদোকউ য়াদবদগী য়ু এস কেপিটোলদা ঈরাং চাওনা থোকখি। মদুদা নরেন্দ্র মোদিনা দোনাল্ড ট্রম্প অরানবা তৌবা মীওইনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লবা জো বাইদেনদা শৌগৎখি। মসিনা তাক্লিবদি নরেন্দ্র মোদি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়ানবা চৎপা মীওইনি হায়বা তাক্লে।

দেল্লিদা লৈবা কোংগ্রেসকী হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা ঙমখৈ শরুকশিংদা লৌমী লিশিং কয়া খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। পার্লিয়ামেন্টতা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম অদু রিপীল তৌনবা লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবদা থা অনীরোম লৌমীশিংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা লৌমী ৬০ হেন্না শিখ্রে। অশি-অনা থোক্লবা ফাওবদা মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী য়েংলগা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা মালদিভসতা কোভিসিল্ড ভেক্সিন লাক্ষ অমা অহানবা ফেজগী ওইনা সপ্লায় তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা মেন্যুফেকচর তৌবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কোভিসিল্ড দোজ লাক্ষ অমা ঙসি মুম্বাইদা লৈবা ছত্রপতি সিবাজি মহারাজ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী মালদিভতা থাখ্রে হায়রি।

মুম্বাই এয়রপোর্টতগী পাইখিবা প্লেন অসিনা কেরলাগী থিরুভনন্থপুরম এয়রপোর্টতা হান্না থুংলবা মতুং মালেগীদমক অমুক পাইখিগনি। ইন্দিয়ানা পুথোকচবা কোভিসিল্ড ভেক্সিন থুংখিবা লৈবাক মালদিভনা অনীশুবা ওইরে। ঙসি অয়ূক অঙনবদা কোভিসিল্ড ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ১.৫ ভুটানগী থিন্ফুদা থাখ্রে। মদুগী মতুং মালদিভতা ভেক্সিন অসি অমুক থাখিবনি।

মালদিভসকী স্পিকর ওফ পীপলস মাজলিস (পার্লিয়ামেন্ট) মোহম্মদ নাসিদনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ানা মালদিভ মীয়ামগীদমক খল্লগা এষ্ট্রাজেনেকা ভেক্সিন দোজ লাক্ষ অমা খূদোল ওইনা পীরক্লগনি। এয়র ইন্দিয়াগী প্লেন অমা ঙসি মালদিভসকী লৈমায়দা কোভিদ ভেক্সিন পুদুনা থুংলরগনি।

মালদিভসতা লৈরিবা মীওই কয়া কোরোনা ভাইরসনা অচৌবা চৈথেং পীরি। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা সুনামিনা লৈবাক অসিদা অকনবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং অমুক হন্না কোরোনা ভাইরসনা চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিং খম থেংনা ৱানরে। মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা ঙম্বা কোরোনা ভাইরসনা সুনামিগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈদা অমুক হন্না চৈথেং পীরকখিবা অসিদগী কন্নবা ইন্দিয়ানা কোভিদ ভেক্সিন খূদোল তৌরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী জুন থাদা মালদিভসতা থুংখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা অহানবগী ওইনা মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোক্লমখ্রবা মতুং ঙসি মালদিভসতা কোভিদ ভেক্সিন খূদোল তৌরক্লিবা অসিনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা মীওই অমনি হায়না মোহমদনা মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীওই লাক্ষ ৫রোম লৈবা মালদিভসতা ইন্দিয়ানা অহানবগী ওইনা পীরক্লিবা কোভিদসিল্ড দোজ লাক্ষ অমা অসিনা চাওনা মতেং ওইরগনি।

ইন্দিয়ানা মালদিভসতা কোভিদসিল্ড দোজ লাক্ষ অমা খূদোল তমখ্রবা মতুং মখা তানা কোভিদসিল্ড দোজ লাক্ষ অহুম লৈনবা মালদিভকী মায়কৈদগী সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াদা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ২০দগী ইন্টরনেসনল বোর্দরশিং থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা মালদিভকী মীওই কয়া কোভিদকী খুদোংচাদবা মায়োক্লদুনা লাকখি। মীয়ামগী মতেং ওইনবগীদমক মালদিভসতা ওপরেসন সঞ্জিভনি হৌদোকখি। ওপরেশন অসিদা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী অখন্নবা প্লেন অমনা মালদিভতা দরকার ওইবা হীদাক-লাংথক টন ৬.২ খূৎশিন্নরকখিবা অদুগীদমক্তসু ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

‘সেন্টরনা ফার্ম লো চহী অমা থা মঙা ফ্রীজ তৌনবা লেপ্নখ্রে’

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ঙসি ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমী মীহুৎশিংগা সেন্টরগী মীহুৎশিংগা ১০রকশুবা ওইনা ৱারী শানখ্রবা মতুং সেন্টরনা নৌনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম চহী অমা থা মঙা ফ্রীজ তৌদুনা থম্নবা লেপখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা অইবা চেপীশিল্লগনি হায়রি।

ঙসি ৱারী শানবদা য়াওখিবা লৌমী লুচিংবশিংনা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবনি। সেন্টরনা পুথোরক্লিবা প্রপোজেল অদুগী মতাংদা লৌমীশিং মখা তানা খন্নখিগনি। লৌমীশিংনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৬ রিপব্লিক ডে নুমিত্তা নেসনল কেপিটেলদা ট্রেক্টর রেল্লি চৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু তৌদনবা আপীল তৌরকখ্রে।

অদুম ওইনমক, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খোঙজং অদু হন্দোক্কদ্রা নৎত্রগা হন্দোক্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। ওল ইন্দিয়া কিষাণ সভাগী ৱাঙাঙলোয় বালকিষন সিংহ ব্রারনা ফোঙদোকখিবদা, ১০রকশুবা মীফম অদুদা গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মায়কৈদগী ফার্ম লো থা ১৭ ফ্রীজ তৌনবা ৱাফম অদু প্রপোজ তৌরকখিবনি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ফার্ম লো অহুমগী মতাংদা য়েংশিন্নবা শেমখিবা কম্মিটি অদুনা হীরম অসিদা মপূং ফানা থবক পায়খৎপা লোইদ্রিবা ফাওবা ফার্ম লো অহুম অসি হোল তৌদুনা থমগনি। পীরিবা থা ১৭কী মতম অসিদা লোইশিনবা ঙমদ্রবসু মখা তানা মতম শাংদোক্কনি হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা সুপ্রিম কোর্টনা নৌনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অসি থা অনী হোল তৌদুনা থমখিবনি। মদুগী মতুং নাকল অনীমক্কী ওইরিবা ইস্যুশিং য়েংশিন্নবগীদমক অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা থা অনীগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা মীওই মরিনা শাবা কম্মিটি অদুদগী মীওই অমদি লৌমীশিংগী ইন্টরেষ্ট কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়দুনা কম্মিটিদগী তোকখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা চ্যের লৌরগা ওল পার্টি মীটিং পাঙথোক্কনি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): থা অসিগী ৩০দা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌরগা ওল পার্টি মীটিং অমা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা মীটিং অসিদা বজেট সেসনগী মতাংদা খন্নগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যের্স মিনিষ্টর প্রহ্লাদ জোসিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীটিং অসি ভর্চুয়েল ওইনা পাঙথোক্কনি। পার্টি খূদিংমক্কী ফ্লোর লীদরশিংনা ভর্চুয়েল মীটিং অসিদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখ্রে। জন্যুৱারী ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীটিং অসিগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা মরিরকশুবা ওইনা লেজিসলেটিভ বিজিনেসকী মতাংদা খন্নগনি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পীরকপা সজেসনশিং গভর্ণমেন্টনা লৌনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, জন্যুৱারী ২৯দগী পার্লিয়ামেন্টকী বজেট সেসন হৌরগনি। সেসন অসি তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কনি। অহানবা সেসন মথং থাগী ১৫দা লোইশিনগনি। অদুগা অনীশুবা সেসনদা মার্চ ৮দগী হৌরগা এপ্রিল ৮দা লোইশিনগনি। পার্লিয়ামেন্টতা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী মতম অনী থোক্কনি। অয়ূক্কী মতমদনা রাজ্য সভা অমদি নুংথিলগী মতমদনা লোক সভাগী মীফম ফমগনি হায়খি।

লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চ্যের লৌদুনা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী ওইবা অৱাংবা মীফম অমা ফমদুনা পেন্দেমিক মনুংদা থেংনরিবা ইকোনোমিগী ওইবা খুদোংচাদবশিং অমদি বজেট সেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

রেপ ভিক্টিমশিং লেম্না মহৈ তমহনগদবনি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): রাঞ্চিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা সুপ্রিম কোর্টনা রেপ ভিক্টিম ওইহৌরবী চহী নৌরিবী অঙাংশিং মশাগী চহী ১৪ শুদ্রিবফাওবা লেম্না মহৈ তমহন্নবা খঙহনখ্রে।

রেপ ভিক্টিমশিংদা সোসাইটিনা দিস্ক্রিমিনেট তৌবনা মরম ওইরগা মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা অৱাবা চৈথেং কয়া পী। নোংমগী শুরগা হিংবা ইমুং মনুংগী অঙাং-নুপীশিংনা হেন্না মসিগী চৈথেং ফংলি। মখোয়শিং অদুগী খল্লগা সুপ্রিম কোর্টনা ভিক্টিম ওইহৌরবীশিংনা মশাগী চহী ১৪ শুদ্রিবা ফাওবা লেম্না মহৈ তমহন্নবা গভর্ণমেন্টতা খঙহনখিবনি।

রাঞ্চিগী সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা ভিক্টিমশিংগী কমপ্লেন্ট মতম চানা লৌশিন্দুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খত্তুনা কোর্টতা খঙহল্লক্লবসু জষ্টিস অশোক ভুষন, আর সুভাস রেদ্দি অমসুং এম শাহগী বেঞ্চ অসিনা খঙহনবগা লোয়ননা চেন্নবশিং ফাষ্ট ট্রেক কোর্টতা পুথোক্তুনা ৱায়েল চখনবসু খঙহনখ্রে।

হু চেনবা গ্যাসনা মীওই অহুম শিহনখ্রে

চান্দিগড়, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): হরয়ানাগী ফরিদবাদতা মতৈ-মনাও য়াওনা চহী নৌরিবা মচানুপা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না পুলিস রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মতৈ-মনাও অমদি মচানুপা মখোয় অহুম নুমিদাংগী মতমদা কোইলা থাদুনা তূমখিবনি। কোইলা মৈ থাবদগী পাইথোরকপা হু চেনবা কার্বোন মোনোওক্সাইদ গ্যাসনা মরম ওইরগা মখোয় অহুম শিখিবা ওইরম্বা য়াই। লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদু বিহারদগীনি। হৌজিক হৌজিক্লা ফরিদবাদতা রেন্টেল হাওসতা লৈবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মতৈ-মনাও অনী অদু মশাগী চহী ২৪রোম শুরম্বা য়ারে হায়না ষ্টেসন হাওস ওফিসর সেক্টর-৫৮ অনিলকুমারনা ফোঙদোরক্লি। থোঙনাও পান্দবা কাদা কোইলা মৈ থাদুনা তূমথখিবদগী মদুদগী পাইথোরকপা হু চেনবা গ্যাস চিংশিল্লুবদগী মখোয়গী শিরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রবসু মদুগী চপ চাবা রিপোর্টতি পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা খঙবা ঙমগনি হায়খি।

ꯐꯍꯜꯂꯁꯤ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6656/31/12-30/01

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোঙ ময়াদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা তিলকুপ থোক্লগা চিকপনা খাঙবা ঙমদবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা মরেং-মরেং চৎলগা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোঙ অকোয়বদা তিলকুপ থোক্লগা য়াম্না চিকপনা খাঙবা ঙমদবা, অমাংথোঙ ময়াদা তঙলগা পায়বা য়াদবা, পায়রুরগনা চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী অমাংথোঙ নান্থরকপা অমুক চঙখিবা, চঙদ্রগনা খূৎনা ইনশিন্দুনা চঙবা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙ অকোয়বদা চেখাইবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু পূন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCPur : 7.00 a.m. to 4.00 pm.

থাগৎচরিবী **: Yambem Geeta Devi**
Thangmeiband
HL-P/8549/21

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ মতুম-মতুম য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা চিকপা অমদি শাবা তৌবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ মতুম-মতুম য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা অৱাবা অমা ওইবা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ তোয়না হাম্বা, চাবা মতমদসু খজিক-খজিক্তং চাবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোরকপা, হাপ্পা পোমথোরকপা অদুগী মনাক্তা মচা অমা অমুক পোমথোকপা, নৌনা পোমথোরকপা অদু খূৎনা থেংবদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ মপান্দা হুপ্পা য়াৎপগুম্না য়াৎপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি নাবা অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাঙ য়াওরকপা, মনাঙ হেক য়াওরকপগা হকচাংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, করিমত্তা শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, পোখারগতা লৈনিংবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা চিকপা অমদি শাবা তৌরগা লৈবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, গ্যাস তোয়না-তোয়না চৎপা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6718/21
থাগৎচরিবী **: M. Ibeyaima Devi,** Singjamei

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ তোয়না-তোয়না হাম্বা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, মনাঙসু য়াওরকপা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্নিংলকপদা খাঙবা ঙমদবা, চাক চারগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐ নুংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ তোয়না মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, মনাঙসু য়াওরকপা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্নিংলকপদা খাঙবা ঙমদবা, চাক চারগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, অমাংথোঙ মনুং চাথৎপা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাওরগা লৈবা, অমুকসু চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, চাকখাউ শোকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, ঈশিং চৎপদা মতম কুইনা চঙবা অমদি শাবা অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙফম খঙদবা, অমাংথোঙদা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থরকপা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8516/21
থাগৎচরিবা : **L. Borish**, Singjamei

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / নুংশঙ লায়নাগীদমক্তা ওজা কবিরাজ ABDUL HAQUE মতীক চাই

ওজা Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756 কী লায়েং মখাদা ইশাদা লৈরম্বা পাইলস লায়নাগী হীদাকশিং চাং নাইনা চাজবদগী অমসুং মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং পূন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা ফংবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি। ঙসিমক তানবীয়ু ওজাগা, পাইলসকী অনাবনা- খ্বাঙ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, খোঙ হাম্বা মতমদা চেখাইরগা থুপ্পা-শাবা, শৌজ নান্থবা, চিকপা-নাবনা হম-হম লাকপা, অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিদৌনা অপোম্বা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা অমসুং চানিং-থক্লিংবা পোক্তবগী অৱাবা লৈবশিং।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **P. Sunil**
Awang Potsangbam
HL-P/8536/21

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6671/5/1-3/2